# চেং হুরানবা মকোক্তা নাপি পক্লে ঃ মাওইষ্ট

ইম্ফাল,জুন ১৪(এস এন এস)ঃ

মনিপুরদা লৈরিবা মীয়াম্না নেসনেল ফুদ সেক্যুরিটি এক্ট (নফসা) কী মখাদা অহোংবা মমলদা ফংলিবা অয়েনচেং মীয়ামদা ফংহনদবগী মতাংদা থোক্লিবা ৱাথোক অসিগী মতাংদা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা মহাক্কী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সিদা পাংথোকখিবা পাউমীশিংগা উন্নবা অমদা ফোংদোকখিবা ৱাফমদু মশানা ঙাংলিবা ৱাফমদু মশানা ককচরে হায়না মাওইষ্ট কম্যুনিষ্ট পার্টি ওফ মনিপুরগী কোওর্দিনেটর, ষ্টেন্দিং কম্মিটি, কয়োংহন মঙাংগী চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অসিনা মখা তানা, চেং মাংবগী ৱাথোক অসিগা মরি লৈননা শেংদোকপদা নফসাগী চেং অসি থা অমগী য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট থাগৎতনা মখা তানা চেং লৌবা য়াদে হায়না মিনিষ্টরনা ময়েক শেংনা পল্লি। লোয়ননা মিনিষ্টর মশামক্না থা ৫ গী চেং অদু ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তরনা শেল পুথোক্লগা মশাগী লন্নাই গোদাউনদা চিংথোক্তুনা থল্লি হায়রি। মতৌ করম্না ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর অদুনা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা থা ৫ গী চেং অসি থংনা থংননা চিংথোকপা য়ারল্লিবনো হায়বসি নৈনফম থোকই। মখা তানা মিনিষ্টর মশানা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর অসিনা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা থা ৫ অরানবা মওংদা চেং চিংথোল্লম্বগীদমক থাগৎপা ফোংদোক্লিবসি খ্বাইদগী অঙকপা মতৌনি। থৌদৌ অসি হুরানবা মকোক্তা নাপি পকপা হায়বদুনি। য়ুটিজাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা অরানবা মওংদা থা ৫ গী চেং চিংথোল্লম্বা অসিবুনি চেং হুরানবা হায়রিবসি।

থৌওং অসিমক ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর অদু চৈরাক পিফম থোকই অমদি য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা থংনা থংননা অরানবা মওংদা থা মঙা চেং চিংথোকপগী অয়াবা পিরম্বদা মরি লৈনবা সি এ এফ এন্দ পি দি গী ওফিসিয়েল য়াওনা চেন্নবা পুম্বা চৈরাক পিফম থোকই। মসিগী মহুত্তা সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা অরানবা মওংদা চেং চিংথোল্লম্বা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তরবু থাগৎপা ফোংদোকপা হায়বসি হুরানববু কনখৎপগী থৌওংনি।

সি এ এফ এন্দ পি দি লোয়শঙ অসি মনিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী চাওবা শেঙ্গা থুমজাগী মকোল ওল্লে হায়বসি মনিপুর মীয়াম্না হেন্না খঙনরবা ৱাফম্নি। সি এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরগী শেংদোক ৱারোল অসিনা মনিপুরদা লৈরিবা মীয়ামগী চাকথুং মাংলে হায়বদু অচুম্বনি তাক্লি। মীয়াম্না খঙবিগদবা ৱাফমদি ৱাথোক ওইরিবা অয়েনচেং অসি চীংগী এসেমব্লি কনষ্টিট্যুয়েন্সি ২০ অসিদদি অমুক্তফাওবা উজদ্রিবা খুল মশিং থিঙমদনা লৈরি। মিনিষ্টরনা ইকায়বগী মহুত্তা দিফেমেসন কেস থাঙ্গৎকনি হায়না ইহৌ হৌরিবশিংদা ওনশিল্লবসি মীয়ামগী ইহৌবু নমথনবা হোৎনবনি। খ্বাইদগী নোক্লিম্লিবা ৱাফমদি চেং মাংবগী ৱাথোক থিংগৎনবা শেল্লিবা হায় পৱার কম্মিটিনি হায়রিবা কাংলুপ অদুনা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তরনা থা ৫ গী চেং চিংথোকখিবা অসি মিনিষ্টর মশানা হায়জরিবা চৎন কাংলোনগী ৱাংমদনি হায়বা খঙহৌদবসিনি।

হৌজিক লৈবাক ৱাথোক ওইরিবা অসিদি শুপ্পতগী চেংগী ৱাথোক্লি অদুবু মীয়াম্না মখা তানা নৈনগদবা ৱাফমদি অহোংবা মমলদা ইমুং অমনা থা খুদিংগী ফংফম থোকপা কেরোসিনদি কদাইদা মাংখ্রবগে হায়বসিসু লৈরি। ৱাফম অসিনা কে এ এফ এন্দ পি দি লোয়শঙ অসি কয়ামুক য়াম্না অচুম্বা তৌবনো হায়বদু মীয়াম্না খংনিংলমগনি। মীয়াম্না ফংজগদবা কেরোসিন ময়াম অসি পেট্রোল পম্প ময়ামদা পোৎয়ান ওইরগা মীয়ামগী খুবাক ময়াইদা শগুন তৌদুনা শেন্দোং তাল্লি।

হৌজিক ময়েক শেংনা তরং তারিবা ৱাফমদি য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা থা ৫ গী চেং ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তরনা অরানবা মওংদা চিংথোল্লগে হায়বসি মিনিষ্টর মশাগী ৱাফম্নি। মরম অদুনা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা চেং চিংথোল্লম্বা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর, অরানবা মওংদা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা থংনা থংননা ৫ রক চেং চিংথোকপা অসিদা অয়াবা পিরিবা লোয়শঙগী মরি লৈনবশিং মখা তানা লৈঙাক অসিনা কনখৎফম থোক্লিব্রা? থা ৫ থংনা থংননা য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা চেং চিংথোল্লম্বা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তরবু থাগৎপা ফোংদোক্লিবা কে এ এফ এন্দ পি দি মিনিষ্টরনা মনিপুর মীয়ামদা লাল্লে হায়জফম থোক্তুবরা? থা ৫ য়ুটিলাইজেসন সার্টিফিকেট য়াওদনা অরানবা মওংদা চেং চিংথোল্লম্বা ট্রান্সপোর্ট কন্ট্রেক্তর অমদি অরানবা মওংদা চেং চিংথোকপদা অয়াবা পিরম্বা মরি লৈনবা ওফিসিয়েলশিং নুমিৎ ৫ নিগী মনুংদা লৈঙাক অসিনা মখোয়গী মথক্তা চৈরাক পিদবা থোক্লবদি হৌজিক পাল্লিবা লৈঙাক অসি হুরানবা কনখৎপা লৈঙাক্কি হায়না লৌবগা লোয়ননা মাওইষ্টনা মীয়ামগা লোয়ননা অকনবা ইহৌ চংশিল্লগনি। তঙাই ফদ্রবদি জেনরেল ষ্ট্রাইক্ত য়াওনা অকনবা ইহৌ চংশিন্নবা শেম শারগনি হায়রি।

# ‘মান্নবা খুন্নাইগী হৌরকফমদি কম্যুনিষ্ট পার্টি খক্তনি’

ইম্ফাল,জুন ১৪(এস এন এস)ঃ

সি পি আই কৈশামথোং লোকেল কাউন্সিলনা শিন্দুনা ঙসি ক্বাকৈথেল ঙানপ্পিথোং কম্যুনিটি হোলদা ৩৭ শুবা কৈশামথোং লোকেল কনফরেন্স, সি পি আই পাঙথোকখ্রে।

কনফরেন্স হৌদ্রিঙৈগী মাংওইননা পিশুম ওইনাম লৈকায়দা লৈবা লময়ানবা ইরাবতকী মীত্তমগী অকোয়বদা উ চারাশিংসু থাখি। লোয়ননা কৈশামথোং কেন্দ্র সি পি আই গী লময়ানবা ওইখিবা লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ফোটোদসু লৈ কৎতুনা ইকায় খুন্নখি। থৌরমদুদা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখিবা কমরেদ সোতিনকুমারনা হায়, মালেমদা খ্বাইদগী শক্তি পায়বা লৈবাকশিং অসি কম্যুনিষ্ট ঙাক্তনি। কম্যুনিষ্ট পার্টিগী আইদোলোজিদি মান্নবা খুন্নাই লিংবনি। মনিপুর ঙসিদি অৱাবা কয়াা য়োম্লবা ষ্টেট ওইরে। মনিপুরদসু কম্যুনিষ্টকী আইদোলোজি অমসুং কম্যুনিষ্ট পার্টিগী শক্তি কনখৎহনবা মথৌ তাই।

মহাক্না হায়, মান্নবা খুন্নাই অমগী হৌরকফমদি কম্যুনিষ্ট খক্তনি। কংগ্রেস পার্টি, ভারত্তিয়া জনতা পার্টি অমদি অতৈ অতোপ্পা অমত্তগা আইদোলোজি মান্নদে। বি জে পি দি জাৎ বিজাৎ নাইবা, অতোনবা কাংলুপ্পু নমথবা পার্টিনি। অদুগা কংগ্রেস পার্টিসু অদু মঙাই, বি জে পি দগী করিসু তাদবা কাংলুপনি।

কম্যুনিষ্ট পার্টি খক্তত্তা মনিপুর (ইন্দিয়া) খুমাং চাওশিনহনবা ঙমগনি। মরমসিনা কম্যুনিষ্ট পার্টিগী ইহৌ শাগৎলসি হায়নসু মখা তাখি। থৌরমদুদা শরুক য়াখিবা এ জি শর্ম্মনা, প্রসিদিয়ম মেম্বরগী ৱারোল পিরদুনা হায়, হৌজিক পাল্লিবা বি জে পি গী লৈঙাক অসি থিকাদারগী গভর্নমেন্টনি। অসিগুম্বা লৈঙাক্না খক তুংকোইনা প্রজাগী য়াইফনবা থবক তৌরোই।

ইন্দিয়া অমসুং মনিপুরগী ওইনা চাওনা অশোয়বা অমদি ওপোজিসন পার্টিশিং অমত্তা ওইনা পুনশিনবা ঙমদবা অসিনি। ওপোজিসন পার্টিশিংনা অমত্তা ওইনা পুনশিল্লবদি লৈঙাক্লিবা পার্টিনা কুশি রাশিদা লৈঙাক ঙাকপা ঙম্লোই।

মহাক্না হায়, মোদিনা পি এম ওইদুনা চহি ৫ ইন্দিয়া পানখ্রে। নরেন্দ্র মোদিনা পি এম ওইজরবসু লৈঙাক্লিবদি আর এস এস নি। আর এস এস হায়বা কাংলুপ অসি হিন্দু ধর্ম্মদা হকচিনবা সোসিয়েলিজম অমদি সেক্যুলরিজমদা থাজবা থমদবা য়াদবা কাংলুপনি। বি জে পি অমদি আর এস এস না লৈঙাক্লিমখৈ ইন্দিয়াদা মান্নবা খুন্নাই লিংবা ঙম্লোই।

ইন্দিয়া অসিদি ওপোজিসন কলচর লৈবা লমদমনি। চহি ৬০০ রোম ইন্দিয়াদা মুস্লিমনা পানখি। মরমসিনা ইন্দিয়াদা কম্পোজিট কলচর লৈরিবনি। কম্পোজিট কলচর ইন্দিয়াগী লৈহাওদা বি জে পি অসি চুনদে।

মীওইবনা হিংবদা, চানবা, লৈনবা, শেৎনবা পোৎশকশিং দরকার লৈ। কম্যুনিষ্ট পার্টিগী আইদোলোজিদি মীপুম খুদিংমক্তা চানবা, লৈনবা য়ুম, শেৎনবা ফি ফংহনবনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা কে অমুচৌ, ঐচ য়াইমা, এস য়াইমা, কে মোনোরঞ্জনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

# ‘দি পি সিগী ফল লাওথোকপীদ্রবদি খোঙজং চংশিল্লগনি’

ইম্ফাল,জুলাই ১৪ (এস এন এস)ঃ

মণিপুর লৈঙাক্না দিপার্টমেন্ট ওফ এডুকেসন (এস)গী মখাদা কন্ট্রেক্ট লেকচর ৬৮৮ লৌবগী দি পি সি পাঙথোকখ্রবা মতুংদা ঙসি ফাওবা ফল লাওথোক্তনা লৈরিবা অসি অথুবা মতমদা ফল লাওথোকপীদ্রবদি মখল মখা কয়াগী খোঙজং চংশিল্লগনি হায়না ওল মণিপুর গভর্ণমেন্ট হয়ার সেকেন্দরি কন্ট্রেক্ট লেকচরর দি পি সি ফেস কেনিদদেটস এসোসিয়েসন, ২০১৮গী মায়কৈদগী ফোঙদোরক্লি।

ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এসোসিয়েসন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরি অকোইজম রোমিওনা হায়, মমাংগী চহীগী জুন ২১ অমসুং জুলাই ৬ তা পাঙথোকখিবা হায়ার সেকেন্দরি স্কুলশিংগী কন্ট্রেক্ট লেকচরর ৬৮৮ লৌনবগী দি পি সি পাঙথোকখি।

অদুবু দি পি সিগী ফল অসি হৌজিক ফাওনা লাওথোক্তনা নমশিল্লগা থল্লি। মরম অসিনা দি পি সি অসিগী ফল অসি জুলাই ২০ ফাওবগী মনুংদা লৈঙাক্না লাওথোকপীদবা তারবদি এসোসিয়েসননা মখল মখা কয়াগী দেমোক্রেটিক ওইবা খোঙজং চংশিনলগনি হায়খি।

লৈঙাক্না হায়রিবা দি পি সি অসি জুলাই ২০ ফাওবগী মনুংদা লাওথোকপীয়ু। হায়রিবা থবক অসিমক মিনিষ্টর এদুকেসননা হৌখিবা জনুৱারি থাদা শুংশোয় শোয়দনা হায়দোকখিবা লৈখ্রে। লোয়ননা এসোসিয়েসনগী মায়কৈদগীসু চৎলিবা থা অসিগী ৮ দা আপীল তৌখিবা লৈখ্রে।

লৈঙাক্না হায়রিবা মতম অসি ফাওবদা দি পি সিগী ফল লাওথোকপীদবা তারবদি মদুদা থোরকপা অফ ফত্তগী তেকচাং লৈঙাক্না পুবিগদবনি হায়খি।

ষ্টেট অসিদা লৈরিবা লৈঙাক্কী স্কুলশিংদা মহৈরোই লৈরগা ওজা মশীং ৱাৎপগী প্রোব্লেম কয়া লৈরিবনি। ফিভম অসিদা লৈঙাক্না অথুবা মতমদা দি পি সি পাঙথোকখিবা অদগী ফল অদু লাওথোকপীদুনা অৱাৎপা ওজা অদু মেনখৎপীনবা আপীল তৌখি।

# চেং হুরানবা মকোক্তা নাপি পক্লে ঃ মাওইষ্ট

# লমদমসিদগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক মরু ফংনা মুথৎলসিঃ এস পি ইবোমচা

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ঃ

তুংগী মীরোলগীদমক লমদমসিদগী ময়াই কাবা চিনজাক মরু ফংনা মুথৎলসি, পুলিসকী চখরকপা দ্রাইভতা মীয়াম্না মতেং পাংবিয়ু হায়না থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডাঃ এস ইবোমচানা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি, ঐখোয় ময়াই কাবা চিনজাক শিজিন্নবা তোল্লুসি, অফবা মতিং লৈবা খুনাই অমা শেমগৎলসি হায়বা থিমদা ময়াই কাবা চিনজাক্কী মায়োক্তা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট হৈরোক্তা ঙরাং চৎখিবা সাইকল রেল্লিগা মরী লৈননা ফোঙদোকখিবনি।

নহা ওইরিবা মীওই কয়ানা শরুক য়াদুনা চৎখিবা রেল্লি অদু নিঙোল ক্লব হৈরোকনা কাদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট মশা অমদি দিষ্ট্রিক্ট হেল্ড সোসাটি থৌবালগা পুন্না খুৎশম্নরগা শিল্লগা চৎখিবনি।

সাইকল রেল্লি অদু মরিপুর লৈঙাক্কী সোসিয়েল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী দাইরেক্তর ঙাঙ্গেম উত্তম অমসুং কাদা ময়াই লোইশঙগী প্রসিদেন্ট হিজম প্রিয়োকুমার অমদি হৈরোক পার্টিগ্রিগী প্রধান নিংথৌজম তংবনা কৈলেপাকন্নী মচু তরেটকী ফিরাল হায়গত্তুনা লমথাখি।

রেল্লি অদু হৈরোক শিনবা থুংনা চৎলুরবা মতুং লমথাফম ওইরিবা হৈরোক কৈথেলদা অমুক থুংলবগা লোয়ননা খন্নবা নৈনবগী মীফম অমা পাঙথোকখি।

খন্নবা নৈন্নবা মীফম অদুদা চিফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়াখিবা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট পুলিসকী এস পি ডাঃ এস ইবোমচানা হায়খিবদা, ঙসিগী রেল্লি অসি তুংগী মীরোলগীদমক য়াম্না কান্নবা রেল্লি অমনি। মসি মীয়াম হুপ্পা সৌগৎফম থোকই। হৌজিককী মতমদা চহি নৌরিবা নহা কয়ানা ময়াই কাবা চিনজাককী ভিক্তিম ওইরকপসি খুন্নাই অসিগী মাংজবনি।

মালেমদা খ্বাইদগী চাওবা লল্লোনবা অসি দ্রগ লল্লোনবনি। মণিপুর পুলিসকী মাইকৈদগীসু অসিগুম্বা ফত্তবা দ্রগ লল্লোনবশিং অসি মরু ফংনবা মুথৎনবা কন্না হোৎনরি। দিষ্ট্রিক্ট পুলিস থৌবালগী মাইকৈদগীসু ৱার এগেন্টস দ্রগ হৌজিক হৌজিক লেপ্তনা চথরি, মখা তানসু চথরি। মীয়াম্না পুলিসপু মতেং পাংবিয়ু, ময়াম চংদুনা ময়াই কাবা চিনজাকশিং অদু মরু ফংনা মুথৎমিন্নসি হায়খি।

মীফমদুদা চিফ মেদিকেল ওফিসার থৌবাল ডাঃ এন জয়েন্তকুমার, নেস্লেলে মেন্তেল হেল্ড প্রোগ্রামগী ষ্টেসন নোদাল ওফিসার ডাঃ এ রানিতা অমদি হৈরোক পি এসকী ও সি (প্রোবি) দয়ানন্দ সোরোখাইবমনা দাইজ মেম্বর ওইনা শরুক য়াবগা লোয়ননা ময়াই কাবা চিনজাক্না খুন্নাইদা পিবা চৈথেং কয়াগী মরমদা মরিক চুম্বা ৱাফমশিং থম্নখি।

# লাক্ষ ৮ হেনবগী দব্লিউ ৱাই টেব্লেটকা কোন্নবা মীওই অমা ফারে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ঃ

তেংনৌপল দিষ্ট্রিক্টকী মোরে পুলিস ষ্টেসননা কোনবা ইন্দো ম্যানমার বোর্দরদা লৈবা ঐচ লহংচম ভিল্লেজ ময়াদগী মীওই ঙসি অয়ুক পুং ১০.৩০ রোম তাবা মতমদা লুপা লাক্ষ ৮ হেনবগী দব্লিউ ৱাই টেব্লেটকা কোন্নবা মোরে পুলিস অমসুং ৪৩শুবা অসাম রাইফলসকী অপুনবা টিম অমনা ফারে।

মোরে পুলিস ষ্টেসনগী এ এস আই টিম পাউমিলুন হাওকিপ অমসুং ৪৩শুবা আসাম রাইফল্স টি মীনৌ পোষ্টকী মেজর অনেস মোহননা লুচিংখিবা অপুনবা টিম অদুনা দব্লিউ ৱাই টেব্লেটকা কোন্নবা ফারবা মীওই অদুদি ম্যানমারগী তমুদগী ৱোননা, চহি ৪০নি। মঙোন্দগী দব্লিউ ৱাই টেব্লেট ৩৩৬৯ ফংখি। ফারবা টেব্লেটশিং অদু মালেমগী কৈথেলদা চাওরাক্না লুপা ৮,৪২,২৫০ রোমগী মমল ওইগনি। ফারবা ৱোননা অমদি মঙোন্দগী ফংলগা টেব্লেটশিং অদুগা কোন্নবা মোরে পুলিস ষ্টেসনদা শিন্নখ্রে হায়রি।

# চেঙ্গুম চারুবদা...

*লমায় ১গী মখা* মতুং থা অসিগী ৮দা জোসেফ খঙ্গ্রাহ অসি পুক নাবা অমদি ওবদগী মশা শোম্ভরকপদগী খঙহৌদনা লৈখিদে। মদুগী মতুং চপ মান্নবা লাইওংদা থা অসিগী ১০দা পুইমি খঙ্গ্রাহ অমসুং ১১দা চলাক খঙ্গ্রাহ অসি লৈখিদবনি। মদুগী মতুং ভরৈসো খঙ্গ্রাহ, মচানুপী ৱোঙায়ুং অমসুং মনাওনুপা রিনতম অসি লাইওং খরা উৎলকপদগী খুদক্তা ইম্ফালদা পুরক্তুনা হৌজিক রিমস হোস্পিটালদা অরুবা ফিভমদা লায়কন্নরি। সিহাই খুল্লেন অসি উখ্রুলদগী কিলোমিটর ৪০ রোম লাপ্পাদা লৈবা মফমনি।

# লুপা লাক্ষ ২১ রোমগী য়ুঙাঙ ফাদুনা মাঙহনখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (এস এন এস) ঃ

থা অসিগী ১২ গী নুমিদাং পুং ৯.২০ রোম তাবা অদুৱায়দা পাৎশোই পুলিস অমদি নার্কোটিক এন্দ এফিয়ার্স ওফ বোর্দর (এন এ বি) পাৎসোই পুলিস ষ্টেসন মমাঙদগী ফাখিবা লুপা লাক্ষ ২১ রোমগী ইনি দয়ান মেদ ফোরেন লিকর (য়ুঙাঙ) কেজ ৬২০ ঙসি পুলিস ষ্টেসন অসিগী কেম্পসতা লৈকাইগী মৈরা পায়বীশিংগা লোয়ননা থুগায়দুনা মাঙহনখ্রে।

পুলিসতগী ফংবা পাউগী মতুং ইন্না পাৎসোই পুলিস অমসুং এন এ বিনা ফারিবা য়ুঙাঙশিং অদু হৌখিবা জুলাই ১২ গী নুমিদাং পুং ৯.২০ তাবা অদুৱাইদা পোৎ– চৈ পুবা ট্রক এম এন০১ক্যু ৫০২৬ তা জীরিরোমদগী ইম্ফাল তম্না লাকপগী লম্বীদা পাটসোই পুলিস ষ্টেসন মমাঙদা ফাখিবনি। ট্রক অদুগী ড্রাইভর অনেদ্রাদগী ফঙৌবম ধনবন্দ (৪৭) অপোকপগী মিং টিঐচ খোগেন্দ্রোনি হায়রি।

ফাগৎলবা য়ুঙাঙ কেস ৬২০ অদুগী মনুংদা এম সি দোৱেল হুইস্কি কেজ ২০৫, ওল্ড মোঙ্ক রম কেজ ৮৮, ট্যুবোর্গ বিয়র কেজ ৫০, কিংফিসর বিয়র কেজ ১৭৮, মেজিক মোমেন্ট ভোদকা কেজ ২০, রোমানোভ ভোদকা কেজ ৫ অমসুং ও সি ব্লু হুইস্কি কেজ ৭৪ নি।

লোয়ননা ফাগৎলবা য়ুঙাঙশিং অসি দ্যুটি মেজিষ্ট্রেট কোর্ট ইম্ফাল ৱেষ্টকী ওর্দর মতুং ইন্না লৈকাইগী ক্লব, মৈরা পায়বীশিং য়াওনা পাৎসোই পুলিস ষ্টেসনগী কেম্পস মনুংদা থুগায়দুনা মাঙহনখিবনি হায়না পাও অসিনা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

# অফবা লৈঙাক ১গীদমক হোৎনবদা লান্না লৌফম...

*লমায় ১গী মখা*

উন্নরিবনো হায়না শেংদোকপিবা ঙমগদ্রা হায়নসু হংলক্লি। কনাদা করি কনাগীদমক হায়রম্মী হায়বসি চপ চানা ঐখোয় পুম্নমক্না খঙই হায়বসি এম তোম্বীনা খঙবীয়ু হায়রি।

এম এল এ শিং অসিনা দিল্লিদা লৈরিবা অসি ফম পাম্বা অমদি লৈঙাক থুগাইনবা হোৎনবা মানবা ৱাফমশিং শিজিন্নরকপা অসি য়াম্না লাইবক থিবনি। মতুংদা অমুক হন্না তৌবিগনু। অফবগী খনবিবা ওইরবদি ঐখোয়না করি অফবা তৌরিবগে হায়বসু খঙনবা হোৎনবিয়ু অমদি তান্নমীন্নসি থোঙ লাওনা হাংদুনা থল্লি হায়না হায়রি।

অদুবু মখা তানা ইম্ফালদা নুংতিগী ফোংবা পাউ চে খরদা ফোংলিবা পাউ য়ানিংদবা ফোংদোক্তু না এম এল এশিং অসিনা হায়, দিল্লিদা লৈরিবা এম এল এশিং লৈবাক্কী অৱা অনা হুন্দোক্তু না চৎলি। মসি মীয়াম্বু উশিৎতবনি হায়বসি কনানা, করম্বা লুপনা নৎত্রগা লুচিংবনা হায়বনো হায়বদু ময়েক শেংনা পনবিয়ু। লৈবাক্কী অৱা অনাগী চিফ মিনিষ্টর লৈরি, মরি লৈনবা মিনিষ্টরশিং লৈরি। এম এল এ শিংদি মাগী মাগী কেন্দ্রগী হোৎনফম থোকপা হোৎনরি। হৌজিক ষ্টেট এসেমব্লি মীফম কৌবসু লৈতে। লেজিসলেচর পার্টিগী মীফমসু কৌদে। লৈবাক্কী থবক্তা চী ফ মিনিষ্টর অমদি মরি লৈনবা মিনিষ্টর খল্লগা করিসু তৌবা ঙমদে। অদুনা পাউ চেশিং অদুনা মসিগী ওইবা ৱাফম ইদিটোরিয়েলসু নত্তনা পাউ ওইনা ফোংবনা মীয়ামদা লান্না লমজিংনবা হোৎনবা মানবা থৌওং অসিগী মরুমদা করি লৈবগে হায়বদু মীয়ামসু নৈনবিয়ু হায়রি।

# টৌটেল সট দাউন...

*লমায় ১গী মখা* রাইফলসকী অপুনবা টিম মোরে টাউনগী অকোয়বদা লৈরিবা মফমশিংদা চত্নুনা য়েংশিনবগা লোয়ননা চিংনবা য়ুমশিংদা চং–চংদুনা থিবা হুম্বগী থবকসু চথরি। অদুবু লালথাং জোন গাঙতে হাৎলম্বা থৌদোক অদুদা চেন্নবা মীওই অমদি খুৎশু–খুৎলাইশিং ফাগৎপগী পাউদি লৈত্রি। ঙরাং মোরে পুলিস ষ্টেসনদা থল্লকখিবা জোন গাঙতেগী অশিবা হকচাং অদু পোষ্ট মোর্টেমগীদমক ঙসি ইম্ফালদা পুরকখ্রে। অদুবু পোষ্ট মোর্টেম লোয়রবসু মহাকপু হাৎপদা চেন্নবশিং ফাদ্রি ফাওবা জোন গাঙতেগী মশা লৌখিরোই হায়রি।

# ইম্ফাল জীরি লম্বীদা ঙসিদগী থাউ ...

*লমায় ১গী মখা*

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, হয়েং তেঙ্করশিং অমসুং বুলেটশিং থাউ লৌবা চৎলবসু থাউ পুরগা ইম্ফালদা হল্লকপা মতমদা চাউরাক্না নুমিৎ ১০ নিরোমদি চংখিগনি।

হৌজিক অসামদা থাউ কাপ্লিবা অসি দিগবোই অমসুং গুৱাহতিখক্তদনি। হান্না তিনশুকিয়া তর্মিনেলদা থাউ কাপ্লম্বা অদু চহী অমরোমগী মমাংদগী তর্মিনেল অসি থিংজিন্দুনা দিগবোই মনাক্তা হোংখিবদগী থাউ কাপখিদ্রে হায়রি। মরম অদুনা থাউ লৌবা চৎপদা মতম হেন্না চংনবগী মচাক ওইরিবনি হায়খি।

অমরোমদা হৌজিক নাগালেন্দ মনুংদা লম্বী পাকথোকপগী থবক পায়খৎপা অসিনা মরম ওইরগা থাউ থন্না য়াওবা তেঙ্কর কয়া অমদি লোদ তৌরবা এল পি জি বুলেট ২০০ রোম খটখটিতা ফাইদুনা লৈরক্লি।

খটখটিদা ফাইদুনা লৈরক্লিবা থাউ তেঙ্করশিং অমসুং এল পি জি বুলেটশিং অদু সিলচর ফাওরগা নেসনেল হায়ৱে–৩৭ তা থৈদোক্লগা ইম্ফাল তম্না পুরক্নবা লৈঙাক্না থবক লৌখৎপা হৌরে। হিরম অসিগা মরি লৈননা কম্মিস্নার সি এ এফ এন্দ পি দি বোবি ৱাইখোমনা চেরোল অমা ঙসি থোকখ্রে।

চেরোল অদুদা পনলিবা ৱাফমদি লৈঙাক্না লৌখৎলক্লিবা খোঙথাং অসি দিমাপুর ইম্ফাল লম্বীগী নাগালেন্দ সেক্টরদা লম্বী শেন্দনা মরম ওইরগা থোক্লিবা খুদোংচাদবশিং অসিনা ষ্টেট অসিদা থাউ অমসুং চাকথোং গ্যাসকী অৱাৎপা লৈহন্দনবগীদমক পায়খৎলকপনি হায়না পনলি।

হৌজিক নাগালেন্দ মনুংগী লম্বী অসিদা ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা পাউ অসিনা হায়, নাগালেন্দ মনুংদা এন ঐচ ২ অসি লেন মরিগী লম্বী ওনখৎপগী থবক চংশিল্লিবা অসিদা গাড়ী চৎলিবা ড্রাইভরশিংদা হায়নিঙাই লৈতনা খুদোংচাদবা থোকহল্লে হায়রি।

পাউ অসিনা হায়, লম্বী অনৌবা ককখিবা শরুক অদুদা গাড়ী থৌজিলুবা মতমদা অরিবা লম্বীগা অনৌবা লম্বীগা তাইনফম অদুদা গাড়ী থৌজিনলুবা মতমদা গাড়ী লোংবগী থৌদোক তত্তনা থোক্লি।

নাগালেন্দ মনুংদা অয়ুক নুংথিলনা নো এন্ট্রি তাইমিং ওইবনা গাড়ী চংবা য়াহন্দ্রে, নুমিদাং পুং ৭ তগী পুং ১০ ফাওবদং গাড়ী থাবনা মরম ওইরগা গাড়ীশিং চৎনবা হোৎনবদা খুদোংচাদবা কয়া মায়োক্নরি হায়রি। মদুগী খুদোংচাদবা কয়া অদুনা মরম ওইরগা থাউ চিংবা অমসুংএল পি জি চিংবা ড্রাইভরশিংনা ষ্টিয়ারিং পায়দবগী খোঙজং চংশিনলকখিবনি।

# লুপা ৩ পীবা চেঙ...

*লমায় ১গী মখা* য়াম্না লৈরগনা চেং কে জি ২০ পি অদুগা মী মশিং য়ামদ্রগনা কে জি ১০ পি ফোংদোকখি।

হেংলেপতা দুকান ফমদুনা লৈবী চহি ৩৯ রোম শুরবী কিমবোই কৌবী নুপী অমনা পাউ চে অসিদা হায়, হেংলেপ খুল অসিগী মীয়ামগী চান্না থক্নবা পোৎলম পুশিল্লকপা অসি চুরাচান্দপুরদগী ঙাক্তনি। চুরাচান্দরপুরদগী অমুক লাইনগী গাড়ীদা সুপরফাইন চেং পুশিল্লক্না চানবা ঙাক্তনি। দুকানসিদা য়াওরিবা সুপরফাইন চেং কে জি দা লুপা ৪০ দা য়োল্লি। লৈঙাক্কী মখাদা থাগী ওইনা য়েনবা চেংসু কে জি দা লুপা ১০ অদুমক লৌই। কে জি মশিং য়াম্না ফংদবনা দুকান্দগী মচিৎ মচিৎ ৱাল্লগা চানবনা অনম্বনি। মফমসিদা লৈরিবা খুঙ্গাশিং চেং অহাওবা চাবা ফংদে, সুপরফাইন ঙাক্তা চাবা ঙাক্তনি। লৈঙাক্কী মখাদা পিবা থা থাগী কেরোসিনসু য়েনখিদবা কুইরে। ওইরিবা ফিভম অসিগী মতাংদা কনাদা ৱাকৎকনি, কনাদা হংগনি হায়বসু খংদবনা মফমসিগী খুঙ্গাশিংনা খরবু ফংলবদি খন্দুনা অদুম লৈবনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি। অমরোমদা নোনে দিষ্ট্রিক্টকী অৱাং খুল ভিল্লেজদসু নোমিনিনা চেঙ কে জি ১ দা লুপা ৫ লৌরগা ফংহল্লম্বা থেংনরে। লুপা ৫ গী মমল পীবসি মখোয়না খপ্লিবরা নৎত্রগা লৈঙাক্না অত্নমা লুপা ৫ দা য়োন্ননবা থৌরাং তৌরিবরা হায়বা খঙদে হায়না মফম অদুদগী অবোন কামৈ কৌবা মীওই অমনা পাউচে অসিদা হায়রি।

# এ আই এস এফ মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলনা শীন্দুনা ঙসি ইরাবত ভৱনদা ষ্টেট লেভেল কনভেন্সন পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ (এস এন এস) ঃ

ওল ইন্দিয়া ষ্টুদেন্স ফেন্দরেসন (এ আই এস এফ) মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট লেভেল কনভেন্সন অমা ঙসি ইম্ফালগী ইরাবত ভৱনদা পাঙথোকখ্রে।

এ আই এস এফনা শীন্দুনা ঙসি পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট সেক্রেটরী এল সোটিনকুমার, সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী ষ্টেট এসিষ্টেন্ট সেক্রেটরী এম জয়কুমার, সি পি আই মণিপুর ষ্টেট কাউন্সিলগী মেম্বর এন সিংহজিৎ অমসুং ষ্টুদেন্ট দিপার্টমেন্টকী কনভেনর আর কে অমুসনানা প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুদা প্রসিদেন্ট মেম্বর ওইনা শরুক য়াখিবা আর কে অমুসনানা ফোঙদোকখিবদা ষ্টেট অসিগী মহৈরোইশিংনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্না ফংদবগী খুদোংচাদবা অমা মায়োক্নদুনা মহৈরোইশিং ষ্টেট অসিগী মহৈ–মশিনগী কাঙলোন্দা নীংবা থুংনদ্রে। ইনাকখুনবা ইমুংদগী হৌরকপা মহৈরোইশিংনা প্রাইভেট স্কুল, কোলেজ অমদি য়ুনিভর্সিটিদা তমহন্নরি। অদুবু লায়রবা ইমুংদগী হৌরকপা মহৈরোইশিংনা হয়ার সেকেন্দরি, কোলেজ অদি য়ুনিভর্সিটিদা মিং চনবগী খুদোংচাবা ফংদে।

মহাক্না হায়, ষ্টেট অসিদা বেচেলর ডিগ্রী পাস তৌরবা অফবা মহৈরোই মশীং য়াম্না লৈ। অদুবু মখোয়শিং অসিনা অৱাংবা থাক্কী মহৈ তম্ননবা মণিপুর য়ুনিভর্সিটিদা মিং চন্নবা হোৎনবদা য়ুনিভর্সিটি অসিগী তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা সিট য়াম্না পীদবনা মরম ওইরগা অৱাবা কয়া অমা মায়োক্নবা থেংনরি। থবক পীয়ু হায়বসু নত্তবা মহৈ তমজগে হায়বগী খুদোংচাবফাও পীবা ঙমদ্রবা লৈঙাক অসিগী মায়োক্তা থেংননবগীদমক ঙসিগী কনভেন্সন অসি পাঙথোকপনি। মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী তোঙান তোঙানবা সবজেক্টশিংদা সিট মশীং হেনগৎহন্ননবা ঙসিগী কনভেন্সন অসিনা ৱারেপ লৌদুনা মণিপুর লৈঙাক্তা অমদি মণিপুর য়ুনিভর্সিটিগী ভাইস চান্সেলরদা তক্লুগনি।

মহৈরোইশিংগী তুংলমচৎ মাঙলকপা য়াবগী ফীভম অমা উরিবা অসিদা কনভেন্সন অসিনা কুপ্পা খন্নরবা মতুং মসি কনাদা তায়নগনি অমদি কনানা মতৌ করম্না থোকহল্লকপনো হায়বসিদা মরু ওইনা খন্ননবগীদমক পাঙথোকপা কনভেন্সন অমনি। কনভেন্সন অসিদা মীয়ামগী ওইবা ৱারেপ লৌদুনা লমদম অসিবু মহৈ–মশিনগী লমদা অমদি হীরম খুদিংমক্তা অফবা মায়কৈদা পুরক্নবা লৈঙাক্তা তক্লুগনি হায়নসু মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# মহৈলোইশঙদা বোম থমজিনবা অরানবা থৌওংনি, মতুংদা অমুক হন্না তৌবীদনবা মহৈরোই লূপশিংনা আপিল তৌরক্লি

ইম্ফাল, জুলাই ১৪ঃ

মহৈতমফম শঙদা বোম থমজিন্দুনা অকি–তুজুংবা পোকহনবসি অরানবা থৌওংনি, অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই হায়বা ৱাফম মৈহরোই লূপ দেমোক্রেটিক ষ্টুদেন্ট এলাইয়েন্স ওফ মণিপুর (দেসাম) অমদি অপুনবা ইরৈপাক্কী মহৈরোই শিনপাং লূপ (এআইমস) মাইকৈন্দগী থম্লক্লি।

হিরমসিগী মতাংদা ঙসি মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা দেসামগী সেক্রেটরি জেনরেল সিতল ওইনাম হায়খিবদা, মহৈতমফম শঙশিংদা অয়েৎ–অপন অমদি অকি–তুজুংবা লৈহনদবা মফম অমা ওইহনসি হায়দুনা দেসাম অমদি অতৈ মহৈরোই লূপ কয়া অকনবা কেম্পেন অমা কুমজা ২০০৮দগী হৌনা চথ্দুনা লাক্লি।

অসিগুম্বা তনজাসিদা, কানচিপুরদা লৈবা ইম্ফাল পাব্লিক স্কুল(আই পি এস) স্কুলগী গেটতা শকখঙদবশিংনা শেলগা মরী লৈননা ঙরাং বোম থল্লম্বসি দেসাম অমদি এআইমসনা অকনবা মওংদা কন্দেম তৌই।

মহাক্না হায়, লমদমসিদা লৈবিরিবা ওজাগী লুপশিং, ভেনগী এসোসিয়েসনশিং অমদি মহৈরোই লুপ ময়াম অমা পুশিল্লগা থা অসিগী হৌখিবা ৫দা শেমখিবা কোওর্দিনেটিং কম্মিটি ওন দিষ্টর্ভেন্স ফ্রি এজুগেসন জোন দিমান হায়বা কম্মিটি অমগী মখাদা মহৈতমফমশিংদা অকি–তুজুংবা অমদি অয়েৎ–অপন পিবিগনু হায়দা এৱার্নেস কেম্পেন চংশিন্দুনা লাক্লিবা চৈরকসিদা বোম থমজিনবগী থবক অসি নুংঙাইতে। করিগুম্বা লনাইগী ওইবা নুংঙাইহনদবা লৈরগা স্কুলদা বোম থমজিনবা থৌওং অসি য়াম্না অরানবা থৌওংনি। থৌওং অসি মরী লৈনবশিংনা মতুংদা অমুক হন্না চথবিগনু। অমদি থৌওং অসি করি মরমগীদমক চথখিবনো হায়বদু মরী লৈনবশিংনা অথুবা মতমদা শেংদোকপিরকউ হায়না মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখি।

# ইকোনোমিক পেকেজ: কমদৌনা শীজিন্নখিবগে মীয়ামদা ...

*লমায় ১গী মখা*

পায়খৎলমগনি। মদু মীয়ামদা খঙহলবদি সোসিয়েল ওদিট তৌবদা হেন্না কান্নগনি অমসুং গভর্ণমেন্ট অসিনা লৌথুক– লৌকোই লৈতনা থবক তৌই হায়বা অদুসু উংপা ঙমগনি।

হন্দক্তা রাজ্য সভা (অপ্পর হাউস) তা হংখিবা ৱাহং অমগী ইদুনা পীখিবা পাউখুমদা, হৌখিবা চহী ৩ দা অৱাং নোংপোক ষ্টেটশিংগীদমক তোঙান তোঙানবা স্কিমগী মখাদা লুপা ক্রোর ৩,৪০০ পীখি হায়না দোন্নর মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে। হায়রিবা অসিদা মণিপুর ষ্টেটকী চাকথুংসু শোয়দনা য়াওরমগনি। হৌখিবা চহী ৩ অসিদা মণিপুরনা চাকথুং কয়াম ফংখি হায়বদুসু মীয়াম্না খঙনিংলি। সেন্টরদগীদি নোর্থ ইষ্টকী চাকথুংনি হায়রগা ষ্টেট খরনা বালটিননা কল্লগা লৌবা অদুগা খরনা খূজোক্না কল্লগা লৌবা নৎত্রগা ফংবগী মমি অমা তারকপগুন্না তৌরি। মসিমক্না নোর্থ ইষ্টকী অপূনবা পাঙ্গল শোম্ভহন্নবগী লোয়ননা অতোপ্পগী চাকতাফম ওইরক্লবগী মরম ওইরকপসু য়াই। মরম অসিনা অকনবা গভর্ণমেন্ট ওইবা তাই। ফংফম থোকপা চাকথুংদা নত্তনা অহেনবা চাকথুং লৌগদবনি। নিবনি হায়না খল্লিবমখৈদি মীখা থাদুনা অদুমক লৈবা মশানা তাবনি।

অমবু ওইরবসু অমবু ওইরবসু ষ্টেট গভর্ণমেন্টকী থৌদা পুরিবশিংনা শেমগৎ–শাগৎপা অমদি শেল–থুম শীজিন্নবদা মনুং মপান ফাওনা মীয়ামদা শেংনা উহনবা হায়বসি তৌরিবা থবক অদুগী পান্দম ফংলবনি হায়না লৌনরিবনি। বি জে পিনা লুচিংবা ষ্টেট গভর্ণমেন্ট অসিনা পায়খৎলিবা থবকশিং অদু মীয়ামদা থৌনা ফনা খঙহনবা ঙমদ্রবা, মদু ব্লেক এন্দ হ্বাইটতা থম্বা ঙমদ্রবদি কৈদৌঙৈদসু পান্দম অদু ফংলে হায়না লৌবা য়ারোই। চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন সিংহনা ২০১৭ দা তোঙান তোঙানবা দিষ্ট্রিক্ট খরগী ইকোনোমিক পেকেজ লাউথোকখি। চহী অদুগী এপ্রিল ১১ দা উখ্রুল দিষ্ট্রিক্টকী লুপা ক্রোর ২০১, এপ্রিল ২৬ তা কাংপোকপী দিষ্ট্রিক্টকী লুপা ক্রোর ১৮৫, মে ২২ দা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্টকী লুপা ক্রোর ২০২, নবেম্বর ১৫ দা তমেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী পূন্না লুপা ক্রোর ৩২৫ কী ইকোনোমিক পেজেজ লাউথোকখি। তামেংলোং অমসুং নোনে দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি থবক্তা ওহোকপা ঙমদ্রবদি তামেংলোংদা শুংলাক লাক্লোই হায়বগী ফাওবা চীফ মিনিষ্টরনা ফোঙদোকখি। অয়াম্বা চহী ২ লেল্লক্লে– লাউথোকখিবা পেকেজ অদুদগী করি করি থবক পায়খৎখ্রে হায়বদুদি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনসু মীয়ামদা খঙহনদে, প্লান্নিং, ভাইনান্স দিপার্টমেন্টনসু খঙহনদে। পঙলাউদা লাউথোকপা নত্তে, থবক ওইনা তৌগনি হায়রিবনিনা শোয়দনদি তৌরমগনি। তৌইগুম্বসুং মদু মীয়ান্নদি খঙদ্রি। অমরোমদা দোন্নর মিনিষ্ট্রিনা হিলস এরিয়া দিভলপমেন্ট প্রোগ্রাম (ঐচ এ দি পি), স্পিপসিয়েল ইনফ্রাষ্ট্রকচর দিভলপমেন্ট স্কিম (এস এ দি এস) নচিংবা স্কিম কয়াগী পীরিবা শেনফমনা পায়খৎপা থবক অদু চীফ মিনিষ্টরনা লাউথোকখিবা ইকোনোমিক পেকেজ অদুনা য়াওশিনব্রা হায়বসিসু খঙনিংবা পোক্নরি। অদুনদি তৌরিবা অমদি তৌখিবা থবকশিং ময়েক শেংনা তাক্তুনা উনবা, মীয়ামদা মদুগী কান্নবা ফংলিব্রা নৎত্রগা ফংদ্রিবরা হায়বদু নীংথিনা মোনিতর তৌবা, থবক খুদিংমক সোসিয়েল ওদিট তৌবগী খুদোংচাবা ফংহল্লবদি অচুম্বা অদুসু থোক্লক্কনি। মরু ওইনা চীং দিষ্ট্রিক্টশিংগী লাউথোকখিবা ইকোনোমিক পেকেজগী মখাদা করি করি থবক পায়খৎখ্রে, করিদা কমদৌনা শীজিন্নখ্রে হায়বদু য়াম্না শেংনা খঙহনবা চুমগনি। হৌজিকসু চীং লমগী লম্বী–থোং, অনা–লায়েংগী মতাংদা খোল্লাউ কয়া লাক্লিবদি কুমজা ২০১৮ ফাওবগী মনুংদা চীং অমসুং তমগী ভিল্লেজ (খুঙ্গং) খুদিংমক ইলেক্ট্রিসিটি ফংহনগনি হায়না লাউথোকখি। অমরোমদা অসাম রাইফলসনা ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবা ভিলেজ কয়াদা সোল্লর শেম্বা, সোল্লর ষ্ট্রিট লাইট কয়া য়েহোকপগী পাউ তত্তনা তারি। অসিগুম্বসি থোকহন্দনবা তৌগদবা থবক শীজিন্নখিবা শেনফম ময়েক শেংনা মীয়ামদা খঙহনবা হায়বসিদি হৌজিক্কী ওইনা তঙাইফদবনি।

# গাড়ী পার্কিং ওইশিনবদগী কংলাগী থাঙ্গপাৎ মপান ...

*লমায় ১গী মখা* প্লাষ্টিক্নচিংবা অমোৎ অকায় কয়াসু তাউদুনা লৈরি।

শাংলবা মতম অসিদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী মায়কৈদগী মফম অসিদা মতিক চাবা দষ্টবিননচিংবা খিনবগী মমি উদ্রি। হৌজিক্কী ওইনা ঙা হাপ্পগী থর্মোকোল উপু অমা অনিখক্তা দষ্টবিন হায়না থাদুনা থম্বা থেংনৈ। মদুমক্না অমোৎ অকায়শিং অদু হাপচিনবা কোন্নবগী ফিভমদি ওইদে।

অমরোমদা কংলাগী খাথংবা হোজং মপাদগী হৌরগা কংলাগী নোংচুপথংবা হোজং মপা ফাওবাদা থল্লিবা ফম্ফমশিং অসিদা নুমিদাং অথেংবদা নহা কয়াগী ময়াই কাবা চিঙ্গাক চা–থকফম ওহোক্লে হায়রি। মফম অসিদা নহা কয়ানা লাক্লগা য়ুনচিংবা ময়াই কাবা চিঙ্গাক কয়া চাশিন থকচিনবা থেংনরি। মসিদা লৈঙাক্কী মায়কৈন্দগী মীৎয়েং চংবা লৈত্রি।

অমরোমদা হৌখিবা কুমজা ২০১৮গী জনুৱারি ৫ দা মাহুদ মিনিষ্টর টি ঐচ শ্যামকুমারনা লুচিংদুনা মোবাইল বাইও তোইলেট ৯ রাজভবন মমাংদগী হৌরগা খোয়াথোং ফাওবদা কংলাপাৎ মপান্দা খিনখিবা লৈখ্রে। অদুবু মদু ঙসিদি অমা ফাওবা লৈবা উদ্রে। মদু লৈরিঙৈদি মীয়াম্না খোঙহাম খুৎহান্না অমসুং মপান–ইপান থোকপদা খুদোংচাদবা লৈরমদবনি হায়রি।

মফম অদুদা পার্কিং ওইরিবা গাড়ীশিংদা তোংবা পেসেঞ্জর খরনা ফোঙদোরকপদা মফম অসি মীয়াম তিনবা মফম অমা ওইবনা মপান থোকফম, খোঙ হাম্ফম লৈতবা অসিনা হায়নিঙাই লৈতনবা খুদোংচাদবা মায়োক্নহল্লে। মপুং ওইনা নুপীশিং মপান থোকপদা হায়নিঙাই লৈতনা খুদোং চাদবা মায়োক্নরি। মরম অসিনা লৈঙাক্না মসিদা মীৎয়েং চংহন্নিংই হায়না ফোঙদোক্লকখি।

মরম অসিনা কংলা মশকফজহনগে হায়রবদি মপান থাঙ্গপাৎ অসি তরু তনননা থক্কগী তঙাইফদবা লৈবনা মফম অসিদা অমোৎ অকায় হাপ্পবা দষ্টবিনশিং মতিক চানা খিনবিবগা লোয়ননা মফম চাবা য়েংলগা পব্লিক তোইলেটনচিংবা শানবা থৌরাং লৌখৎপগী তঙাইফদব লৈ হায়না পাউ অসিনা মখা তারি।